**৫০ শুবা এসিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬**

# বোরুননা গোল্ড, অরাম্বম বোবি, সুরজ, সরিতা অমসুং রেবিতানা শিলভর, লৈমনা ব্রোঞ্জ ফংখ্রে



*কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা বোরুন য়ুম্নাম (ময়াই), শিলভর মেদল লৌখ্রবা বোবি (ওই)*

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ ঃ
ভুটান্দা চথরিবা ৫০ শুবা এসিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিংনা চাউনা মায় পাকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিংনা গোল্ড মেদল অমা, শিলভর মেদল মঙা অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অমা পূন্না মেদল তরেৎ ফংদুনা চাউনা মায় পাক্লকখি।

এসিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা ইন্দিয়াগী পূন্না বোদি বিল্ডর ১৮না শরুক য়াখিবদা মণিপুরদগী নুপা অমদি নুপী বোদি বিল্ডর মাপন য়াওখি।

এসিয়ন বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিবা শাফবা-শাফবীশিং অদুদি নুপীগী কাঙলুপ্তা টি ঐচ সরিতা দেবী (কেজি ৫২), টি ঐচ লৈমা চনু (কেজি ৫২), কে রেবিতা (কেজি ৫২), নুপাগী কাঙলুপ্তা এম দি ৱাসমির (কেজি ৭০), এল রোবার্ট (কেজি ৬০), এন রাকেস (কেজি ৭০), এস বুংচা (কেজি ৭৫), এন সুরজ (কেজি ৭৫) নি। লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ওফিসিএল ওইনা জুনিয়র মিষ্টর এসিয়াগী টাইটল লৌখ্রবা নেপ্রম কিষন য়াওরি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরদগী হৌখিবা অরাম্বম বোবি সেনিয়র মেনগী কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা বোরুন য়ুম্নাম্না কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌখি। শক্লাইরবা বোদি বিল্ডর অরাম্বম বোবিনা শিলভর মেদল ফংখি।

নিংথৌজম সুরজনা কেজি ৭৫ কী কাঙলুপ্তা শিলভর মেদল ফংখি। নুপীগী কাঙলুপ্তা টি ঐচ সরিতানা কেজি ৫৫ কী কাঙলুপ্তা শিলভর মেদল ফংখি। কে রেবিতানা কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা শিলভর মেদল ফংখি অদুগা টি ঐচ লৈমা চনুনা কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী এল রোবার্ট মীতৈনা কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা মরিশুবা পোজিসন তাখি। রাকেসনা কেজি ৭০গী কাঙলুপ্তা মঙাশুবা পোজিসন তাখি। ৱাসমির ইফমনা জুনিয়র কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা শিলভর মেদল ফংখি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট সুপর দিভিজন লীগতা বি এম এস সি তাওবুংখোক অমদি চিকল লিলোং চজিং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ ঃ
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা অৱাং সেকমাইদা লৈবা এস কে ৱাই সিগী গ্রাউন্দদা টিম নিপাননা শরুক য়াদুনা চথরম্বদগী নোংনা মরম ওইদুনা মতম খরা লেপ্লুরবা ২২ শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ ঙসিদগী মখা তানা চথবা হৌখিবগা লোয়ননা বি এম এস সি তাওবুংখোক অমদি চিকল লিলোং চজিং মায় পাকখ্রে।

সুপর দিভিজন লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা বি এম এস সি তাওবুংখোক্না থাউ থাংমৈবন্দ গোল ৪-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাওনা মায় পাক্লবা বি এম এস সি তাওবুংখোক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা থাউগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া লেপ্তুনা চথখি। বি এম এস সি তাওবুংখোক্কী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদুগী অহানবা হাফতা দোমিনেট তৌদুনা শান্নখিবনা টিমদুগী গোল মরিমক মেচ অদুগী হাফ মমাংদা মথং মথং চনশিনখি।

টিমদুগী গোলশিং অদু মহেরচান্দনা গোল অনী মেচকী ১৪ অমদি ৪২ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় পিটর সৈনিংথাংনা গোল অনী মেচকী ১৯ অমদি ২২ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা থাউ থাংমৈবন্দগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদুগী অনীশুবা হাফকী শরুকশিংদা য়াম্না হৈশিংনা অমদি চেকশিন্না শান্নরকপনা গোল অনী থংনা থংননা বি এম এস সি তাওবুংখোক্কী মায়কৈদা চনশিন্দুনা গোল অনী হন্দোকপা ঙমখি। অদুম ওইনমক মখা তানা থাউ থাংমৈবন্দগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদবদগী বি এম এস সি তাওবুংখোক্কী মখূৎতা গোল ২-৪ দা মায়থীখি।

মেচ অদুদা থাউ থাংমৈবন্দগী অহানবা গোল পোইরৈথোইনা মেচকী ৬৭ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল বিদ্যানাথনা মেচকী ৬৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা থাউ থাংমৈবন্দগী বিক্রম মেচকী ৬৮ শুবা মিনিটতা অদুগা অজিৎ কুমার মেচকী ৭৫ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি। মেচ মায় পাকখ্রবা বি এম এস সি তাওবুংখোক্কী এস রাহুলদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা মেচকী ৭৮ শুবা মিনিটতা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা চিকল লিলোং চজিংনা ৱাই দি ও লমদোং কোঙ্জেং লৈকায় গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি।

মেচ অদুদ চিকল লিলোং চজিংগী শান্নরোয় কে অমরজিৎনা মেচকী ২৩ শুবা মিনিটতা টিমদুগী মায় পাকপগী গোল চনখি। গোল শোত্থরিবা ৱাই দি ওগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনরবসু গোল হন্দোকপা ঙমদনা চিকল লিলোং চজিংগী মখূৎতা মায়থীখি।

মেচ অদুদা চিকল লিলোং চজিংগী কে আর্বিন্দ মেচকী ৭৩ শুবা মিনিটতা, কে অমরজিৎ মেচকী ৭৯ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা ৱাই দি ও লমদোং কোঙ্জেং লৈকায়গী এস বাবুল মেচকী ৭৮ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

সুপর দিভিজন লীগ অসিগী হয়েংগী মেচ লৈরোই। হয়েং মফম অসিমক্তদা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী মেচ অনী লৈগনি। অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা কে এস সি লম্বুলেন্দ অমসুং গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ লাংজিংগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ৩.১৫ তাবা মতমদা এস সি কে কোদোম্পোকপী অমসুং এন সি ক্লব খোঙহাম্পাৎকা শান্নগনি।

# বিষ্ণুপুর ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা লসাল লৈমপোকপম অমসুং সুপর দিভিজন লীগতা এফ সি মোইরাং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহুমশুবা এম পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ তা লসাল লৈমপোকপম অদুগা তরুকশুবা দাংমৈ মজাবুই কবুই মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগকী মেচতা এফ সি মোইরাং মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফার্ষ্ট দিভিজন লীগকী মেচ অদুদা লসাল লৈমপোকপম্না টি ৱাই এ গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমখিদে।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা লসাল লৈমপোকপমগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা টিমদুগী গোল অনীমক থংনা-থংননা শিতলজিৎনা মেচকী ৫০ অমদি ৫৭ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা লসাল লৈমপোকপমগী শান্নরোয় পি অলেক্স মেচকী ৯ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা সুপর দিভিজন লীগকী মেচতা এফ সি মোইরাংনা সি ৱাই সি গোল ৬-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা এফ সি মোইরাংগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা গোল চন্দুনা শান্নখি। অদুবু মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা এফ সি মোইরাংনা গোল অমদগী হেন্না চনবা ঙমখিদে। হাফ মতুংদা এফ সি মোইরাংগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না মিকুপ নাহুমশিংনা অমদি কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নখিবনা গোল মঙা থংনা থংননা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল তরুক শুখি।

মেচ অদুদা এফ সি মোইরাংগী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় তেলহৈবনা গোল অহুম মেচকী ৩ শুবা মিনিটতা অদুগা গোল অনীনা মেচকী মতম লোইরমদাই এদেদ টাইমগী অহানবা অমদি অনীশুবা মিনিটতা চনখি। ক্লেনমেননা গোল অমা মেচকী ৫৬ শুবা মিনিটতা চনখি। ঐচ দিপক্লা গোল অমা মেচকী ৭১ শুবা মিনিটতা অদুগা সুন্দরনা গোল অমা মেচকী ৮৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

## অত্য-পত্যগী ত্রাইএল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ ঃ কর্ণাটাকাগী ধরৱাদতা নবেম্বর ৪ দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৯ শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস অত্য- পত্য নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুকয়াগদবা শান্নরোয়শিং খন্নবগী ত্রাইএল অমা থা অসিগী ১১ গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা লৈমপোকপম এসোসিএশন গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর অত্য-পত্য এসোসিএশনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## থাঙ-তা উৎলুগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ ঃ হুইয়েন লাল্লোং থাঙ-তা কলচরেল ওর্গেনাইজেসন ইরিলবুংগী আর্টিষ্ট অহুম অফ্রিকা, জিম্বাবৱে অমদি টাঞ্জানিয়াদা থাঙ-তা উৎলুনবগীদমক ইন্দিয়া থাদোকখ্রে। থা অসিগী ৭ তগী ২১ ফাওবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থাঙ-তাগী পার্ফোমেন্স পীরুনবগীদমক এসোসিএশন অসিগী ইন্দিয়া থাদোকখ্রবা অহুম অদুদি ঐচ ইন্দু, ঐচ রাজেন অমসুং দল্লিয়ু কলপনানি।

## মণিপুর ষ্টেট লীগ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চথরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি তরুকশুবা মেচ ওইনা ত্রাও ক্লাকৈথেল অমদি ক্লাসা কৈনৌ অনীনা শান্নগনি তৌরম্বা মেচ অদু নোংনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখ্রে। মেচ অসি হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা শান্নরগনি। হয়েং নুংথিল পুং ২ দা নিশা অমসুং নাকো অনীনা শান্নগনি তৌরম্বা মেচ অদুনা নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা ত্রাও অমসুং ক্লাসা অনীগী মেচ হেক লোইবগা শান্নরগনি হায়না অম্ফাগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ৱার্কশোপ কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ ঃ খ্বাই মার্সেল আর্টস একাদেমি উরিপোক্লা শিন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী মথং থাগী ১ ফাওবা নুমিৎ ১৪ নিগী ওইবা ৱার্কশোপ কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা উরিপোক অচোম লৈকায় বাস্কেটবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। ৱার্কশোপ কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা মণিপুরগী থাঙ-তা, শরিৎ শরাৎ, মুক্না, অরাম্বাই অমসুং শাজেল কাঙলোনশিংগী মতাংদা ফ্রি ত্রেনিং প্রোগ্রাম ওইনা পাঙথোক্কনি। শরুক য়ানিংবশিংনা খ্বাই মার্সেল আর্টস একাদেমি উরিপোক অচোম লৈকায়দগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি।

# চান্দেল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা চঙনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব অমসুং জাফৌ য়ুথ ক্লব মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেলনা শিন্দুনা হৌখিবা ওগষ্ট ১৮ দগী টিম তরানা গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা লিৱা সরাই ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা চঙনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (সি ৱাই সি সি) অমসুং জাফৌ য়ুথ ক্লব (জে ৱাই সি) মায় পাকখ্রে।

ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা চঙনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (সি ৱাই সি সি) না ন্যু ৱাংপরাল (এন দল্লিয়ু) গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখি। মেচ অদুদা চঙনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লবকী কে ঐচ বোরনিংখমনা মেচকী ১৫ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। গোল শোত্থরিবা ন্যু ৱাংপরালগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা মেচ অদুগী ২৮ শুবা মিনিটতা এন খমসোন্না গোল ইক্কোলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ৪৩ শুবা মিনিটতা চঙনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (সি ৱাই সি সি) গী জে হায়পিয়ানা টিমদুগী মায় পাকপগী গোল চনখি।

মেচ অদুদা চঙনিং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লবকী এন জি জোনসন অমসুং ন্যু ৱাংপরালগী ৱাই সোনমদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম মেচকী ৫৬ শুবা মিনিটতা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা জাফৌ য়ুথ ক্লব (জে ৱাই সি) না চান্দেল খুলেন য়ুথ ক্লব (সি কে ৱাই সি) গোল ১৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা জাফৌ য়ুথ ক্লবকী গোলশিং অদু এস ঐচ সেবরঙমনা গোল মরি মেচকী ২০, ৩০, ৪৬ অমসুং ৬৯ শুবা মিনিটতা চনখি। এন জি নিংবুংনা গোল অহুম মেচকী ১৫, ২১ অমসুং ৩২ শুবা মিনিটতা চনখি। কে ইদৱার্দনা গোল অনী মেচকী ৭০ অমসুং ৭৬ শুবা মিনিটতা চনখি। এন জি নিকোলাসনা গোল অনী মেচকী ২ অমসুং ৭ শুবা মিনিটতা চনখি। মোর্নিংসন্না গোল অমা মেচকী ৫ শুবা অদুগা এস ঐচ মোসাইঙমনা গোল অমা মেচকী ৪৯ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা চান্দেল খুলেন য়ুথ ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু টি এস চংঙম্না মেচকী ৫৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

# নুপীগী ইন্টর ভিলেজ বোল্লিবোল পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ ঃ
হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ) কী মিৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্টর আসাম রাইফলসকী ৪ আসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নুপীগী ইন্টর ভিলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অমা ফাইসেঞ্জাং খুলদা পাঙথোকখ্রে।

নুপীগী ওইবা বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অদুদা ফাইসেঞ্জাং, বিলগিজাং, নাবিল, খুমকোট অমসুং খাঙতুং খুলগী খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াখি। নাবিল অমসুং বিলগিজাং খুলগী অপূনবা টিমনা বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখি। ৱিন্নর অমসুং রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিমশিংদা মনাশিং পীখিবগা লোয়ননা আসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী খুঞ্জাশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।





HL-B/3252/08/08-07/09







HL-B/3217/2/7-12/8(alt.)







Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com